# ‘কৌব্রু চীংগী মতাংদা লৈঙাক্কা এগ্রিমেন্ট অমত্তা ইনখিবা লৈতে’



ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ মাউন্ট কৌব্রু অমদি ওর্গনাইজে সনগা করিগুম্বা এগ্রিমেন্ট অমত্তা ইনখিবা লৈতে হায়না বি জে পিগী চীফ স্পোক্সপার্সন ওইরিবা চোংথাম বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্কা মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কা এনি ভেলিদ এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনবা তারবদি সী এস ওন কন্সর্ন কম্মিস্নার অদুগা সাইন তৌনগদবনি। মিনিষ্টর য়াওনা হৌখিবা এপ্রিল ২০দা সাইন তৌনখি হায়রিবা এগ্রিমেন্ট অদু খেন্নবা দোক্যুমেন্ট অনী থোরক্লি। মদু চৎনবা য়ারোই, ইনভেলিদনি হায়না মীদিয়াগী খুথাংদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হায়রিবা মাউন্ট কৌব্রু অসি কনাগুম্বা কাঙলুপ অমত্তগী ওইবা য়ারোই। লৈঙাক্কা প্রোটেক্ট তৌদুনা থমগদৌবনি। কৌব্রু রেঞ্জ অসি রিজার্ভ ফোরেষ্টনি। কনা অমত্তনা ইনক্লোজর তৌবা য়ারোই। অদুগীসু মথক্তা মাউন্ট কৌব্রুবু মণিপুরগী এন্সেন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইট এন্দ রিমাইন্স (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ১৯৮৬কী মখাদা অমুক হন্না চৎনহন্নবা প্রোসেস তৌরি। মাউন্ট কৌব্রুগী ইসু অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসিদি কোংগ্রেসকী খুৎতা লৈরে। মরমদি কোংগ্রেসনা ইনশিন্দুনা লৈরিবমখৈ ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই। মরমদি কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ মাউন্ট কৌব্রুগী লুচিংবা ওইরিবা ডা. লমতিংথাং হাওকিপনা কোংগ্রেসকী সাইতু এ সীগী কেনিদদেটনি অমসুং সাইতু এ সীগী ব্লোক কোংগ্রেসনা তৌরিবা ঈরাং থোকপা য়াবা ষ্টেটমেন্ট এক্টিভিটি ময়ামদু হেদ ওফিসকী অয়াবা য়াওদে হায়রগা হেক্তা লৈথোকপা য়ারোই। করিগুম্বা এক্সন খরদি লৌখৎফম থোকই। মেঘচন্দ্রনা হায়রিবা কৌব্রুবু ফুরুপ পুম্নমক্কী হৌরকফমনি উৎকদবনি হায়রিবদু অদোমগী সাইতু বাই-ইলেক্সনদা কেন্দিদেট ওইখিবা ডা. লমতিংথাং হাওকিপনদি য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ইন্স্পেক্ট টি ভিদা কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ৭তা মনুং হুৎনদা য়েংবীরগা খঙগনি হায়খি।

# তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৫না মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬১৯ ইম্ফালদা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা-নুপী অমদি অঙাং পুন্না মীওই ৬১৯ ঙসি ফ্লাইট ৫না ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১৫ রোম তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫১ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.৩৫ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ৮৫ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরনচিংবদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৩২ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

নুংথিল পুং ১.২০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৬৫ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ২.৪৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ১৮৬ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

লোয়নন্না তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৫ অসিনা ইম্ফালদা লৈরম্বা নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৭৪৪না গুৱাহাতি, দিমাপুর, কোলকাটা অমদি দেল্লীনচিংবা চৎনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি হায়রি।

## পোষ্টর কেম্পেন

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা থৌরাং অমা ওইনা সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা সাইকুল ব্লোক্কী লৈকোইচীং ভিলেজদা কোভিদ-১৯গী পোষ্টর কেম্পেন পাঙথোকখ্রে। মীয়ামদা এৱ্যোর্নেস পীবা ওইনা পাঙথোকখিবা পোষ্টর কেম্পেন অদুদা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাজৌবম লনজিৎ, এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেশ, সেলিন দিজিটেলগী সী ও, টি ঐচ বাদন মৈতৈ অমদি ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসসু শরুক য়াখি হায়রি।

# নুংবাদা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): বি জে পিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিনা থাগৎপা মীহুৎনা চাউনা মায় পাক্লবা বি জে পি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিংগা লোয়নন্না পার্টিসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ১২০শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং নুংবা কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু বি জে পি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হান্নগী এ দি সীগী মেম্বর দেনিয়ল মালংমৈনা প্রসিদেন্ট, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এল দেবেননা চীফ গেষ্ট অমদি এক্স-এম এল এ জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাই, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ য়ুমজাও, নুংবাগী এ দি সীগী মেম্বর খিংবৌ কামৈ য়াওনা পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট দেনিয়ল মালংমৈনা হায়খি, বি জে পিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনসি হায়রবদি পার্টি অসিগী থৌমীশিংনা কথোকপা অমগা লোয়নন্না পুকচেল শেংনা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা স্কিম, প্রোজেক্টশিং অসি অশেংবা বিনিফিসরিশিংদা মপুং ফানা ফংহনবা তাই। করিগুম্বদা ফংফম থোকপা মীওইনা ফংদবা য়াওরবদি বি জে পি থৌমীশিংনা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি।

অমরোমদা, কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা নুংবাদা বি জে পিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ১২০শুবা মপোক কুমওন থৌরমসু পাঙথোক্তুনা নুংবা কৈথেলগী অকোয়বদা উ চারা ১২০গী মথক্তা থাদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টপু নুংশিৎ-নুংশা শেংবা, ফজরবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহনমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মপোক কুমওন

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ৬৮শুবা লৈখিদবা কুমওন জুন ২৩ অমদি ১২০শুবা মপোক কুমওন জুলাই ৬কা মরী লৈননা পাঙথোকপা বলিদান দিবসকী থৌরম বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি লল্লাই বি জে পি মণ্দলনা শীন্দুনা লল্লাই এ সীগী সৈজাংদা লৈবা খুরাই লৈমা চীংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, ট্রেনিং দিপার্টমেন্ট বি জে পি মণিপুরগী কোওর্দিনেটর মিনাবন্ত, বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল কামনি, হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা লল্লাই এ সীদা বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইখিবা কে ঐচ ইবোমচা, বি জে পি লল্লাইগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিটকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি এল শ্যাম, লল্লাই কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এৱ্যোর্নেস এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন এ য়ামিনিনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা উ চারা ১০০০ রোম থাখি। ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ফোটোদসু লৈ-শু কৎখি। এ শর্দানা হায়খি, ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি মরৈবাক নীংবা, অপূনবগী চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবা পান্বা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী লুচিং মখাদা মীয়ামদা মঙাল অমা পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# খুৎশেমগী ঈচাউ থোক্তনবা ৱাইশেল মরিল তেংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): নোংজু থাগী মতমদা ৱাইশেল মরিল ফুন্নগৎতুনা মনাকনকপদা লৈবা য়ুমশিং ঈশিং চেনশিল্লক্তুনা খুৎশেমগী ঈচাউ থোক্লিবসি লৈহন্দনবা ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লূপনা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংগা খুৎশম্নরগা ৱাইশেল মরিল তেংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল নাওরেম দেবেন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাইশেল মরিলগী ঈশিং ঈচেল থিংলিবা মফমশিংদা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদগী হৌনা মার্চ ২৩ ফাওবা লেপ্পা লৈতনা শেংদোকখ্রবা মতুংদা অনীশুবা ফেজ ওইনা জুন ২৭তগী মখা তানা হৌজিক ফাওবা কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ, এল জয়ন্তকুমারনা ৱাইশেলগী লূপশিংগা খুৎশম্নরগা অঙম্বা থাক্তা তেংবাঙনদুনা কৈশামথোং এ সী অসিগী মীয়ামগী লন-থুম অমদি অনা-অয়েক কয়া খুৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউদগী কলহৌনবা হোৎনরক্লি। কম্মিটি ওফ কৈশামথোং এ সী ফোর ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লূপকী এদভাইজর ওইরিবা হাওবম বিহারিনা লেপ্পা লৈতনা অখন্নবা থৌদাং লৌরকপগীদমকসু ৱাইশেলগী এ সী ৭কী ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঈকায় খুম্নবসু উৎলক্লি।

হৌজিক লাক্লিবদি ইরমদম অসিদা খা পাংনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীরোমদা চেষ্টরকপদা অপনবা কয়া লৈরিবা অসি লৌথোক্তুনা মাগী মাগী পন্থুংফম তান্না চেষ্টখিদুনা খুৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউ থোক্তুনা কৈশামথোং, সগোলবন্দ অমদি পাৎশোই এ সীগী মীয়ামগী লন-থুম অমদি থৱায় পানবা শা-উচেক লোয়নন্না এঙ্সাং-নাপী, উ-ৱা কয়া য়াওনা লন্মী-থোং অমসুং য়ুম-কৈ মাঙদনবা মাঙজৌনন্না হোৎনহৌবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। মদুগী মথক্তা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা পেন্দমিক অসিগী মনুংদা ঈশিংদগী থোরক্লদবা তোঙান-তোঙানবা লায়না-লাইচৎ কয়াদগীসু কনবা ঙমহৌনবা মাঙজৌনন্না থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি হায়রি।

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী হৌজিক্লা এক্স-এম এল এ ওইনা লৈরিবা সোইবম সুভাসচন্দ্রনা মহাক্কী লৈজবা এস্কাভেটর অনী পীবীদুনা লমদমসিগী মীওইশিংগা হৌখিবা জুলাই ১দগী লেপ্পা লৈতনা নিঙোম্বম অৱাং লৈকায়দগী হৌরগা ইরোম মৈজ্রাও ফাওবগী ইরম নালাসু শেংবগী খোঙথাং অমসু মহাক্কী অখন্নবা পান্দমগা লোয়নন্না লৌবুক কনসি হায়বা খোঙজং চথরক্তুনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরক্লিবা থৌরাং অসিগীদমক্তসু ৱাইশেলনা কোনবা এ সী ৭কী লূপশিংনা এক্স-এম এল এ সুভাসচন্দ্রবু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

হৌজিক লৈরিবা কম্মিটি ওফ নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী ফোর ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লূপকী ফীভমবু লূপসিগী ষ্টিয়ারিং কম্মিটিনা কুপ্না য়েংশিন্দুনা নৌহৌননা অমুক রিনোভেসন তৌদুনা থবক পুবা ঙমগদবা অনৌবা কম্মিটি অমা শেম্নবা অথুবা মীফম কৌদুনা হোৎনরগনি। লোয়নন্না ৱাইশেল তরু-তনান্না থম্নবা হোৎনরিবা অসি শৌগৎপীদুনা ৱাইশেল মরিলগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মীওইশিংনসু য়ারিবমখৈ ৱাইশেল মরিলদা অমোৎ-অকায় থাদবীদনবা আপীল তৌরি হায়রি।

# ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিনা ফেস মাস্ক, সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা পরিংনাইনা চথরকপা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী আশা ৱার্করশিংবু হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্ক য়েন্থোকপগী শরুক অমা ওইনা অলামৎ প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর, বাশিখোং প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর, কৈরাও মক্তিং প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর, য়াইরিপোক য়াম্বেম প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অমদি অন্দ্রো প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা কোয়না চৎতুনা সেন্টরশিং অসিনা কোল্লিবা আশা ৱার্করশিংদা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং হকথেংননা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ব্রাঞ্চ অসিগী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বা, লাইশ্রম কুবের মৈতৈ, তোকপম জিনেশ, এল রাজেশ, এ নবচন্দ্র, ডা. সুনিল সেঞ্জমনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সেন্টর খূদিংমক্তা লৈরিবা আশা ৱার্করশিংদা মখোয়না মীয়ামগীদমক কখোকপগা লোয়নন্না পেন্দমিক মনুং অসিদা অকিবা, চোকথবা লৈতনা মতেং পাংলিবশিংবু শৌগৎলদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। হেল্থ ক্যেরদা মখোয়না লৌরিবা রেস্পোন্সিবিলিটি অসিদা নীংহন্নবা লৈবীগনু। আশাশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা টাইৱানগী মণিপুরশিংনা পীবীরকপা মাস্কশিং অসি হরাওনা লৌবীদুনা মীয়ামগী মতেং পাংবদা চোকথবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি। লোয়নন্না মাস্ক কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবা, খুৎ-শা নীংথিনা হামদোকপা অমদি সোসল অমসুং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংশিং ঙাকপীনবা আপীল তৌখি। লোয়নন্না ভেক্সিন কাপথোক্লবা হোৎনবদসু থৌদাং হেন্না লৌবীয়ু হায়খি।

# টেষ্টোষ্টেরোনগী চাং নেম্বা

লৌশিং পুক্কে

## নুপাশিং কোভিদনা নাবদা শিবগী রিস্ক শরুক ৬ হেনগৎলি

কোভিদনা নাবা নুপাশিংদা টেষ্টোষ্টেরোনগী চাং নেম্বা হেল্লিমখৈ ইন্টেন্সিভ ক্যের মথৌ তাবা য়াবগী চাং হেল্লি, ভেন্টিলেটরদা ইন্টুবেট তৌবা য়াবগী চাং হেল্লি অমদি হোস্পিটালদা মতম শাংনা লৈবা য়াবগী ওইথোকপা ৱাংবা হেল্লি হায়না ইটলিগী মিলানদা লৈবা সান রাফেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালগী রিসার্ছরশিংনা চথুবা ষ্টদি অমদা থেংনখ্রে।




অনৌবা রিসার্ছ অসিগী মতুংইন্না সিম্পটমেটিক কোভিদ-১৯ নাবগা লোয়নন্না টেষ্টোষ্টেরোনগী চাং নেম্বা নুপাশিং লায়না অসিনা য়াম্না শাথিনা নাবা অমদি শিবা য়াবগী চাং শরুক তরুক ৱাংবা হেল্লি হায়রি।

সান রাফেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালগী রিসার্ছরশিংনা চথুখিবা ষ্টদি অদুগীদমক ইমর্জেন্সি দিপার্টমেন্টতা লাকখিবা নুপা কোভিদ পেসেন্ট ২৮৬বু হকচাং ফবা (নাদ-য়েক্তবা) ভলন্টিয়র ৩০৫গা কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারী অমসুং মে থাগী মরক্তা চাংদম্নদুনা য়েংখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা পেসেন্টশিং অদুগী চাদা ৯০ রোমদি টেষ্টোষ্টেরোন লেভেল ৯.২ নানোমোল্স পর লিটর (nmol/l)গী মখাদা লৈবা মীওইশিং ওইখি, অদুগা হায়রিবা টেষ্টোষ্টেরোনগী চাং অসিদা লৈবা হকচাং ফবা ভলন্টিয়রশিংগী মশিংনা শুপ্নতগী চাদা ১৭খক্তমক ওইখি। টেষ্টোষ্টেরোনগী লেভেল ৩ nmol/l দগী ৪ nmol/l ফাওবগী মনুংদা লৈবা পেসেন্টশিং অদু মাইল্ড সিম্পটমশিং লৈখি নৎত্রগা হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি, অদুগা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)দা এদমিট তৌখিবা নৎত্রগা লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিখিবা পেসেন্টশিং অদুগী টেষ্টোষ্টেরোন লেভেলনা ০.৭ nmol/l দগী ১.০ nmol/l ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং ওইখি।

সান রাফেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালগী য়ুরোলোজি অমসুং এন্দোক্রাইনোলোজিগী স্পেসলিষ্ট অমা ওইবা প্রোফেসর এন্দ্রিয়া সেলোনিয়ানা হায়খিবদা, কোভিদ পেন্দমিক অসিগী হৌগৎলকপা মতমদা লায়না অসিনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা লাকপা অমদি লায়না অসিগী য়াম্না অকনবা মওংদা নাখিবগী চাং নুপীশিংদগী নুপাশিংনা য়াম্না কা হেন্না য়াম্বা ঐখোয়না থেংনখি। মসি নুপাশিংগী হোর্মোন লেবেলশিং, অকক্লনা টেষ্টোষ্টেরোনগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না ঐখোয়না মতম অদুদা খনখি।

অদুবু চপ মান্নবা কাঙলুপ অমগী হকচাং ফবা (নাদ য়েক্তবা) নুপাশিংগা চাংদম্নবদা অসুক য়াম্বা কোভিদ পেসেন্টশিং অসুম্না য়াম্না শাথিনা টেষ্টোষ্টেরোনগী লেভেল নেম্বা মীওইশিংদা উগনি হায়বসিদি থাজরুদে। টেষ্টোষ্টেরোনগী চাংগা কোভিদকা লৈনরিবা মরী অসি অদুক্কী মতীক ময়েক শেংলে : টেষ্টোষ্টেরোনগী চাং নেম্লিমখৈ কোভিদনা নাবদা ফিভম শাথিবগী চাং ৱাংবা হেল্লি অমদি শিবা য়াবগী চাংসু ৱাংই। ঐহাক্না শিনফম অসিদা চহী ২৫ লৈরকপা অসিদা অসিগুম্বা ফিভম অসি অমুক্তা উরক্ত্রি হায়নসু প্রোফেসর এন্দ্রিয়া সেলোনিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অদুমওইনমক, টিম অদুগী মফমদা পেসেন্টশিং অদুনা কোভিদ-১৯ নাদ্রিঙৈ মমাঙদা লৈরম্বা মখোয়গী টেষ্টোষ্টেরোন লেভেলশিংগী দেটাদি লৈতবনা টেষ্টোষ্টেরোন নেম্বা অদু পেসেন্টশিং অদুদা হান্নদগী মতম শাংনা লৈরক্লবা কোভিদ-১৯ লায়না অসিবু ফিভম শোকচিলহনবা কন্দিসন অমরা নৎত্রগা টেষ্টোষ্টেরোন নেম্বা অদু সার্স-কোভ-২ ভাইরসনা থোকহনবরা হায়বদু মখোয়না চপ চানা হায়বা ঙমদে।

মসিগী মতাংদা প্রোফেসর এন্দ্রিয়া সেলোনিয়ানা হায়, নুপাশিংবু লায়নাদগী ঙাকথোকপদা টেষ্টোষ্টেরোননা থৌদাং অমা লৌই। অদুমওইনমক, ভাইরস অসিমক্লা টেষ্টোষ্টেরোন লেভেলশিংগী ময়েং খঙতা তাহনবগী থৌওং অমা ওইহনবা ঙম্বা হায়বসিসু ওইথোকপা য়াবা অমনি, মদুনা নুপাশিং অদুবু হেন্না শাথিবা ফিভমশিংদা সসেপ্টিবল ওইহনবা ঙমগনি হায়রি।

ফাইন্দিং অসি চৎলিবা জুলাই থা অসিগী ৮দগী হৌগদৌরিবা ২০২১ য়ুরোপিয়ন এসোসিএসন ওফ য়ুরোলোজি কোংগ্রেস (ঈ এ য়ু ২১)দা প্রজেন্ট তৌগনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### ওনলাইনদা ক্লাস তৌবগী মহুৎতা দি দি চেনেল নৎত্রগা রেদিওদা ক্লাস পীবিনা অফবা লম্বী ওইরোইদ্রা?



কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ক্রোর কয়া অৱাবা মায়োক্লহল্লে। অৱাবা মায়োক্লরিবশিং অসিগী মরক্তা মহৈরোয় খুন্নাইসু অমা ওইরি। স্কুল-কোলেজ কাবা ফংদ্রবা মহৈরোয়শিংবু লাইরিক্তগী লাপথোক্তনবা হায়দুনা তোঙান-তোঙানবা মতমদা ওনলাইন ক্লাস ঝুমদা অমদি গোগল মীটকী খুৎথাংদা পাঙথোক্লরি। অদুবু ইনকম মপুং ফানা লৈজদবা লায়রবা ইমুং-মনুংগী অঙাংশিংদি মদুগী খুদোংচাবা ফংদ্রি। খরা অমনা খুদোংচাবা অসি ফংলবসু ইন্টরনেট য়ারক্তবা, নেট তপথরকপা, মৈ মুৎখিবা অমদি য়াম্লবা ওনলাইন ক্লাসকী ফী থিবগী অৱাবা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইতবা ৱাফম অমনা হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি ফংদবা গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তম্বা লায়রবা ইমুং-মনুংগী মশিং য়াম্লবা অঙাংশিংগীনা কমদৌবা? মরম অদুনা পুম্নমক্কী ওইনা য়াম্না লায়না অঙাংশিংদা তাকপী-তম্বিবা য়ানবা দি দি চেনেল অমদি রেদিওগী খুৎথাংদা মতম নাইনা, ক্লাস-ক্লাসকী মতুংইন্না অমদি সবজেক্ট ৱাইজ ওইনা টেলিকাষ্টিং ক্লাস তৌবগী খুদোংচবা অদু লৈঙাক অসিনা ফংহনবিরবদি লৈত-লায়রবা অমদি ইনাক-কৈরাক খুনবা পুম্নমক য়াম্না লায়না মহৈ তম্বা ফংগনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি। করিগুম্বা থবক অসি পায়খৎলবদি মহৈরোয়শিংগীদমক অচৌবা কান্নবা অমা ওইগনি খল্লি।

❐ প্রেমজিৎ শগোলশেম, পল্লেল মমাং লৈকায়

### চহী নৌরিবা নহাশিংনা ক্রাইম কয়া তোনরক্লিবসি স্মার্ট ফোন পায়হনবদগী ওইরম্বসু য়াই



হৌজিক্কী মতম অসি মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবিবগী তঙাইফদবা মতম ওইরে হায়না খল্লি। স্মার্টফোন থোক্লকপদগী ক্রাইম অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোক্লকপা নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লি। মসিদা নত্তনা অঙাংশিংগী তুংগী করিয়র অসুম-অসুম মাঙশিল্লক্লি। মোবাইলদা গেম শান্নবা মরুওইনা গেম অমা অনীদং পঞ্জরবদা প্লেয়র অননোন বেটল গ্রাউন্দ (পবজি), মোবাইল লিজেন্দ বেং-বেং হায়রিবা গেম অনি অসি শুপ্নগী চহী ৬/৭তগী হৌরগা চহী ১৮ ফাওবদা লৈরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিং অয়াম্বনা কন্না শান্নরি। হায়রিবা মোবাইল গেমগী মশান্না অসিবু শান্নরিবা অঙাংশিং অসিবু মমা-মপা ওইরিবা অমদি য়ুমগী পেরেন্টশিংনা মতম চানা থিংহৌদ্রবদি তুংদা অঙাংশিং অসি য়াম্না অফবা অঙাং হায়বদুদি ওইররোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈদি চহী ১৮গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংবু য়ুমগী পেরেন্টশিংনা স্মার্টফোন পীদনবা হোৎনবিয়ু। করিগুম্বা স্মার্ট ফোন লৈবিয়ু হায়না নিংঙাই তৌরবসু মখোয়বু ফজনা মদুদগী থোক্লকদবা মাঙজবশিং অদুবু তাকপী-তম্বিদুনা খঙহনবা মথৌ তারি। মরমদি হায়রিবা মোবাইল গেমগী মশান্নশিং অসিনা অঙাং কয়াদি ঙসি তোঙানবা মালেম অমদা লৈহনখিদুনা মহৌশাগী পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ৱাবা হায়বদু ওইরে। মশুং-মমান্নবশিংগা লোয়নন্না লম্পাক্তা থোক্তুনা শান্নদবা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদগী লাপথোকপগী ফীভম অমদা লাক্লে। মসিনা অঙাংশিং অসিগী তুংগী পুন্সিদা অচৌবা অকায়বা অমদি মাঙজবা কয়া ওইহল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

❐ নিংথৌজম সঞ্জোয়, অৱাং পোৎশঙবম খুনৌ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮।০৭।২০২১ ইং, শগোলশেল;
ইঙাগী ২৯ নি পানবা।

মেষ: নচাক নরল চাওখৎপা, মীয়াম্না পুক্নিং নুংঙাইহনবা, নচা-ননাইগী লমদা পুক্নিং পেঞ্জবা অমদি কনানসু লাকচবা ঙমলোইদবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: থাজদনা তীন্নবনা নরলদা মীতাবা অমদি নাপলনা লেঙদবা লন মাঙবা য়াবা লৈ। ইমুং-মনুংগী ৱা তারবা অমদি থৌনা হন্দ্রবা নরল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন: থবক পাঙবা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ঙম্বনা অঙম্বনা চানবীগনি। মীচং/লন ফংবগী নুংঙাইজৈ। তীন্নবনা হুন্দুনা ঙাংবা লৈগনি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট: নুংঙাইবা পাউ তাজগনি, লমচৎপা কান্নগনি অমদি হোয়া ফন্দবনা ওইজগনি। লাই-গুরুগী ৱা তাবা/মীয়াম্না য়ানবা হোৎনবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

সিংহ: অঙম্বনা লৌথোক-চাথোকপীবা অমদি মতাং চাদনা থৌনা ফুদোকপনা চাদিং হেনবা লৈগনি। লৈঙাক্কী লমদা মায় পাক্কনি-ৱারেপ লৌহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: অনৌবা ৱাখল্লোন্না পাঙবা থবক অয়াম্বা মায় পাক্কনি অমদি চোপ্পা য়াবদে কঞ্জদুনা মীংচৎ ফংজগনি। অদুবু য়েৎনবনা খুরৌ থাংগনি -কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: হন্থবা লোয়নবা/য়েৎনবনা মরুপ-মপাং নুংশিনবা ৱাৎকনি, মীৱা লৌরবা কিবা পোক্কনি। অদুবু অচুম্বা চৎলদি মায় পাক্কনি, নক্লবনা তেংবাঙবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ফাথবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: মীয়ামগা লোয়নন্না মীয়াম্না পাম্বা লন্মীদা চৎপা ঙমজগনি-নাইতোম থৌ পাংগনু। লৈঙাক্কী লমদদি মায় পাকপা ৱাগনি-তপথবনা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনদি চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: লাইবক থোইনা ফরে, মীচং হেনগৎলে অমদি ৱাখল অনৌবা লাক্কনি। পোরম শোয়বনা অমদি ফিংবনা ঈকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মকর: নীংবা শোয়দনা থুংগনি, লৌশিংসু চাওবনা মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা পাঙগে খনবা থবক পাঙহৌরো। খাংবদি কল্লু-মীংচৎ শোয়দনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা: লৌশিং ফুদোকপা ৱাৎকনি, হুরানবনা তাথি অমদি নুংঙাইতবা পাউ তাগনি। ওজা-গুরুনদি চাল্লি অমদি মীয়াম্না পাবা থবক পাংবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি, মীকোক থোংবা ৱাগনি অমদি হোয়া ফবা য়াদবা নুমিৎনি। নোল্লুকউ অমদি মীয়াম লোইননা চৎলু-মায় পাকপা শোয়রোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।